## বি এস এন এলগী কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ বি এস এন এল ইমপ্লোইজ য়ুনিয়ন অসাম, এন ই ৱান অমসুং এন ই টুগী ৮ শুবা জোইন্ট সার্কল কনফরেন্স খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মল্টিপরপজ ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লদৌরি।

কনফরেন্স অসিগী ওপন সেসন হয়েং পাঙথোক্কনি। অহৌবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবদা অৱাং নোংপোক্কী দেলিগেট খুদিংমক্না শরুক য়াদুনা রেল্লি অমা দিক্কু রোদ, খোংনাঙ অনী কারক, নোর্থ এ ও সি, মিনুথোং ফাওদুনা লাক্লগা কনফরেন্স মফম ফাওবা চৎকনি।

ওপন সেসন অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন টেলিকম্যুনিকেসনগী চিয়ারমেন ওইরিবা লোক সভাগী মেম্বর ডা. মৈন্যনা হৌদোক্কনি।

## শত্তাকচে অমদি টিকেৎ য়াওদবা মীওই ১২ হলহনখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ হান্নদগী চখরকপগুম ঙসিসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা রেলৱে ষ্টেসন্দা ট্রেন তোংদুনা লাকপা মীওইশিং চেক তৌবদা মীওই ১২ শত্তাক চে অমদি ট্রেন টিকেৎনচিংবা য়াওদবা থেংনবদগী মখোয়না তোংলক্লিবা ট্রেন অদুমক্তদা অমুক হলহনখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবুনা পেসেঞ্জর ট্রেন লাকপা খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা চেক তৌবগী থবক চখরকখিবনি। ঙসি মশাগী শত্তাকচে অমত্তা য়াওদনা অমসুং টিকেৎনচিংবা য়াওদনা লাকপা মীওই ১২ থেংনবদগী মখোয় অদু মফম অসিদগী অমুক হলহনখিবনি। মখোয় ১২ গী মনুংদা নুপা ৮ নুপী ৪ য়াওই হায়রি।

## কোমথোকপিনবা হায়জরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ মণিপুরগী লালহৌলূপ অমনা কেথোলিক এদুকেসন সোসাইটি /কেথোলিকশিংনা চল্লাইবা স্কুলশিংগী ট্রান্সপোর্টরশিংদা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ৬ তা থম্লকখিবা অথিংবা অসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিং, মহৈরোয়গী মমা মপাশিং অমদি ভেন থৌদুনা ইমুং মনুং পুজরিবা ইচিল ইনাওশিংদা পীরিবা অৱাবা অসি খনবিদুনা অথিংবা অসি লৌথোক–পিনবা সেন্ট জোসেফ স্কুলগী পেরেন্ট এন্দ টিচরস এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

য়ানদবা লৈরিবা খূদিংমক কেথোলিক এদুকেসন সোসাইটি অমদি স্কুল ওথোরিটিনা মরী লৈনবশিংগা ৱারী ৱাতাই শানবিদুনা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবিয়ু, মহৈ তম্বদা অকায়বা পীবিগনু হায়না সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল পেরেন্ট এন্দ টিচরস এসোসিয়েসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা আপিল তৌরক্লি।

## পেন্টিং কম্পিটিসন য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ দিপ্যুটি কম্মিস্নার ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিস কমপ্লেক্স লম্ফেলপাৎতা ঙসি পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ৈথোকখ্রে অমসুং হায়রিবা কম্পিটিসন অসি চৎলিবা থা অসিগী ১৬ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না দিপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট নাওরেম প্রবিন্না থা অসিগী ৪ দা থোকখিবা নোটিশ অমনা খঙহনখ্রে।

ঙসিদমক মেদিয়াদা থাদোরকখিবা নোটিস অসিনা হায়, ইনক্লুসিভ এন্দ এসেসিবল ইলেক্সন হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদবা পেন্টিং কম্পিটিসন অসিদা য়াওগদবশিংনা মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোদেল ওফিসার এস ভি ই ই পি (রুম নম্বর জি –১৫) দা চৎলিবা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবা য়াগনি।

## মণিপুরদা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি এয়র পোলুসনগী চৈথেং তপ্প তপ্পা ফংবা হৌরে–ডা. এল গোজেন্দ্রো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮(এস এন এস) ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্টোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস অমসুং ষ্টেট হেল্‌ঠ সোসাইটি মণিপুরনা পূন্না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা এয়র পোল্লুসন এন্দ ক্রোনিক ওবসট্রক্টিভ পুলমোনরি দিজিজ (সি ও পি দি)গী সেন্সিটাইজেসন ৱার্কসোপ ঙসি ইম্ফালগী থঙ্গাল বাজারদা লৈবা হোটেল নিরমালাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মেদিকেল দাইরেক্টোরেটকী জোইন্ট দাইরেক্টর ডা. এল গোজেন্দ্রোনা হায়খিবদা, মালেমগী হোংলক্লিবা অইং–অশা অমদি তোঙান তোঙানবা পোল্লুসন মরু ওইনা এয়র পোলুসন অসিনা থোকহল্লকপা লায়নাশিং অসিগী মরমদা পাঙথোকপা ৱার্কসোপনি। মণিপুরদসু ঙসিদি ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি এয়র পোল্লুসনগী চৈথেং তপ্পা তপ্পা ফংবা হৌরে।

মহাক্না হায়, এয়র পোল্লুসন অসি মরু ওইনা প্লাষ্টিক মৈ থাবা, উ ৱা মৈ থাবগী মৈখু, তোঙান তোঙানবা গারীশিং অমদি ফেক্টরিশিংদগী থাদোরকপা মৈখুনা থোকহল্লকপনি হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা থোক্লিবা অসিমক্তি ঐখোয়গী ষ্টেটসিদা থোক্ত্রি অদুবু থোক্তনবগীদমক ঐখোয়না চেকশিনবা মথৌ তাই অমদি এয়র পোল্লুসনদগী থোক্লকপা অহেনবা তমথিবা কয়া থোক্লক্তনবা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক এৱার্নেস পীবা লোয়ননা খঙমিন্নবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদুদা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. এল রনবির সিংহ, দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী এদিস্নেল দাইরেক্টর (এম সি) ডা. পি. শ্যামসুন্দর সিংহ অমদি এদিস্নেল দাইরেক্ট (পিঐচ) ডা. কেঐচ শশিকুমার মঙাংসু শরুক য়াখি।

## সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ হৌখিবা জনুৱারি ২৮ দগী ওল মণিপুর ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট (আই এফ সি দি) ইমপ্লোইজ এন্দ ৱার্করস ওর্গনাইজেসন্না তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়াগা মরী লৈননা পি দব্লিউ দি কমপ্লেক্স খুয়াথোংদা লৈবা চীফ ইঞ্জিনিয়ারগী ওফিস কেম্পসতা সিট ইন প্রোটেষ্ট চখরকপদু দিপার্টমেন্ট অসিগী মকোক থোংবা অমদি লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা ঙসিদগী হন্দোকখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী নাওরেম মুহিন্দ্রো সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিগী মাষ্টররোল অমদি ৱার্কচার্জ শিন্মীশিংবু কনভর্সন নৎত্রগা রিগুলরাইজেসন তৌবিবা অমদি থাগী তলব পীনবা ফন্দ খাক্তুনা থম্বনচিংবা থবক্তা ওহ্নোরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

চীফ মিনিষ্টর, ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর, মণিপুর সরকারগী সেক্রেটরী (ৱাটর রিছোর্সেস) অমদি চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা শিন্মীশিংগী অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা খঙবিদুনা তৌবা য়াবা থবক তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবা অদুগীদমক ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক তৌরিবা মাষ্টররোল অমদি ৱার্কচার্জ শিন্মীশিংনা হয়েংদগী হৌনা ওফিস কাদুনা মশা মশাগী মথৌ তৌবিনবসু চেরোল অসিনা আপিল তৌরি।

## হৈরোক্তা লিগেল এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি থৌবাল অমদি লিগেল এদ ক্লিনিক হৈরোক খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি হৈরোক পার্ট টুগী মীপুন শঙদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা আইনগী লমদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ থৌবাল থোকচোম সাইমোন্না অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর লৌমী লূপ হৈরোক এরিয়াগী প্রিসিদেন্ট এন লোকেন্দ্রোনা থৌরম মপু অদুগা চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল থৌবালগী এন এস এস প্রোগ্রাম ওফিসার ডা. এ কে প্রিয়োকুমারনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

এদভোকেট ও রামানন্দনা লিগেল এদ ক্লিনিক্কী পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়ারশিংগী থবক অমসুং থৌদাং হায়বা হিরমদা অদুগা এদভোকেট কেঐচ লেম্বীস্না মৈদিংঙুনা নেস্নেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি স্কিম ২০১৫ হায়বা হিরমদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি।

তুংদা শরুক য়াখিবশিংগা ৱাহং পাউখুম কয়াসু তৌখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি মহৈরোয় কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

## স্পোর্টস একাদেমিগী ক্লাস সিক্স মহৈরোয় লৌগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমিগী চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০১৯–২০ গী ওইনা ক্লাস সিক্সগী মহৈরোয় লৌনবগী সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্কদৌরি।

এন এস এ মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর সেক্রেটরী আমষ্ট্রোং পামৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১ দা মশাগী চহী ১০ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ক্লাস ফাইভ পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংনা সেলেক্সন টেষ্টতা য়াওবা য়াগনি। ক্লাস সিক্সতা মিং চনগদবশিংগী স্পোর্টস দিসিপ্লিননদি আর্চরি, বোক্সিং, জুদো, টাইকুন্দো, ৱেটলিফটিং অমসুং ৱেষ্টলিংনি।

দিসিপ্লিন খূদিংমক্তা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা চাদ ৫০ অদুগা ষ্টেট ৱাংমদগী চাদ ৫০ ওইগনি অমসুং দিসিপ্লিন অমমমদা নুপামচা ৬, নুপীমচা ৬ পূন্না মহৈরোয় ১২ খনগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম লুপা ১০০ পীরগা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসার ওফিসতগী লৌবা য়াগনি অদুগা মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি হায়রি। অকুপ্পা মরোল একাদেমি অসিগী ওফিস্তগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## ৱাকৎ মীফম ফমগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ সেক্যুলর দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট)বিল ২০১৬ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হয়েং থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ দগী ৩ ফাওবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোক্কনি হায়না ফ্রন্ট অসিগী কনভেনরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লম্বী ময়ায়দা ফমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ শিংজমৈ কোংবা রোদতা লৈবা এস চাউবা মেমোরিয়েল ইংলিস স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মায়োক্তা ঙসি শিংজমৈ কোংবা রোদতা নুংথিল পুং ১.৪০ দগী পুং ২.১০ ফাওবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

## অহকপা চৈরাক পীবনা নুপীগী ক্রাইম হন্থরক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ হৌখিবা চহী ২০১৮ আগষ্ট ১৮ নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ইকৌ কৈথেলদগী পুখ্রিহোংবম মেমি (২৬) মীহাৎ থিনা হাৎলগা বোরাখাওদা হাপলগা তুরেলদা থাদরকপা থৌদোক্কী ৱায়েলদা মরাল লৈরে হায়না ফেব্রুৱারি ৪ দা মেইন এক্যুজ হোরিৎপু শিদ্রিফাওবা থৌরি য়ান্নবা অদুগা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা ফরিসপুনা মপুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা সেসন জজ সেনাপটি এ নাওতেনেশ্বরিনা রাই তাখিববু য়ুনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসন লম্বোইখোংনাংখোংনা ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

নুপীশিংগী হক কন্নবা হন্দক্কীসি থারগা খোঙফম অনীরক অহকপা চৈরাক পীননবা রাই তাখ্রে। মসিনা লৈখা তানা মাঙলক্কদবা নুপী খুন্নাইবু ১০০ দা ১০০ কনবা ঙম্লক্কনি। লোয়ননা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোক্তঃবা ওইরসনু হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সোরোজিনি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## আমসুগী ৪১ শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক

সিলচর, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ ঙসি মদুরগ্রাম, রোংপুর পার্ট টু, সিলচর, অসামদা লৈবা ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু)গী হেদক্কার্টরদা আমসুনা শীন্দুনা ৪১ শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

THE 41TH FOUNDATION DAY OBSERVATION
of
All Assam Manipuri Students' Union
H.Q - Madurgram, Rongpur Pt.-II, Silchar - 9
Venue : Meira Sa
adurgram, Rongpur P
ebruary, 2019
MOTTO : STUDE
THE PILLAR OF NA

পাঙাবম নিলকান্ত, প্রসিদেন্ট, আমসুনা ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম অসি হৌদোকখি। থৌরম অসিদা আমসুগী প্রসিদেন্ট পাঙাবম নিলকান্ত, আমসু হেদ ক্বার্টরগী জেনরেল সেক্রেটরী সোইবম অনিল অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হৌজিক্লা এদভোকেট ওইরিবা ফাঞ্জৌবম লোকেনাথনা প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইনা দাইজদা ফমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা লৈরিবা আমসুগী জেনরেল সেক্রেটরী, প্রসিদেন্টশিং অমদি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজেনস পিপলস ফোরমগী কনভেনর ওইনাম মনিতোন্না থৌরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম মীয়ামদা থমখি।

থৌরমগী মখা চখরকপা ওইনা থৌরম অসিগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিংনা হান্না আমসুগী থৌ পুবিরম্বশিংনা লৈবাক্কীদমক্তঃ লৌরমখিবা থৌদাংশিং নীংশিংবা ওইনা মীয়ামদা মরিক চুম্না লিদুনা অমদি নৌনা থৌ পুরক্লিবা আমসুগী থৌমীশিংনা হেন্না ফবা থবক কয়া তৌদুনা আমসুবু চাউখৎনবা হোৎনসি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু)না ফেব্রুৱারি ৮, ১৯৭৮ দা আসাম ষ্টেট অসিদা অমত্তা ঙাইরবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস বোদি ওইনা সিলচরদা লিংখৎখিবনি।

## থৌবালদা নেস্নেল দি ৱার্মিং দে হৌদোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ ভারতকী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থৌবালদসু ঙসি নেস্নেল দি ৱার্মিং দেগী থৌরম হৌদোকখ্রে।

থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটিনা শীন্দুনা অথোকপম জুনিয়ার হায়স্কুলদা পাঙথোকপা নেস্নেল দি ৱার্মিং দে হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডা. এন জয়েন্তকুমার সিংহ অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়ার ওফিসার ডা. কেএসঐচ মেমচা দেবীনা অথোইবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইখি।

জেদ ই ও থৌবালগী এসিষ্টেন্ট জোনেল নোদেল ওফিসার নিংথৌজম দিল্লিপ সিংহ, আই সি দি এস থৌবালগী সি দি পি ও তৌরাংবম অনিতা দেবী, আই সি দি এস লিলোংগী সি দি পি ও লাইময়ুম ধনিমচা দেবী অমসুং অথোকপম জুনিয়ার হায়স্কুল থৌবাল অথোকপমগী হেদমাষ্টর খাঙেম্বম ইবোহল সিংহনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নুংগী ৱারোল পীরদুনা নেস্নেল হেলথ মিসন থৌবালগী দি পি এম সিঐচ বসন্তনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী গভর্ণমেন্ট স্কুল ১৭৬, প্রাইভেট স্কুল ১৯২ অমদি অঙ্গনৱাদি সেন্টর ৯৪৯ গী পূন্না অঙাং ১,০১,৮৫৯ দা চহী অসিগী দি ৱার্মিং দেগা মরী লৈননা হকচাংদা লৈবা তিন লৌথোক্লবা টেব্লেৎ পীজনবা পান্দম থল্লি। ঙসিগী থৌরম অদুদা স্কুলগী মহৈরোয়শিং, ওঝাশিং, অশা ৱার্করশিং অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংনা শরুক য়াখি।

## ডা. এস এন সুভারাওগী ৯১ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ ঃ মালেমগী মীয়াম্না ভাইজি হায়রগা খঙনরিবা ন্যু দিল্লিগী নেস্নেল য়ুথ প্রোজেক্টকী দাইরেক্টর ডা. এস এন সুভারাওগী ৯১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম থৌবাল ৱাংখেমদা লৈবা পুন্সি মহৈকোলদা লাইশ্রম মনি গৌর সঙ্গিট একাদেমি থৌবাল ৱাংখেমগী এন ৱাই পি য়ুনিটকা খূৎশম্নরগা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা নেস্নেল এৱার্দি এল বিজয়কুমার, মহৈকোলগী ফাউন্দর এ সুরজিৎ, সোসিয়েল ৱার্কর এল রাজেন, সোসিয়েল ৱার্কর এম দি জজিমুদ্দিননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এল বিজয়কুমারনা হায়, ভাইজি অসি ভারত অমসুং পৃথিবীদা শান্তি পুরক্লবা হোৎনবদা মপুন্সি কখোক্লবা মীওইনি। মহাক্কী লিচিং মখাদা ভারতকী নহা খূদিংমকপু ইমুং অমগী মচিন মনাওগুম নুংশিনা লৈমিন্নহন্নবা হোৎনরিবা মীশক্লি। মহাক্কী থৌশিল মখাদা ১৯৭২ দা চম্বল ভেল্লিগী ডাকু ৬৪৪ খূৎলাইগা লোয়ননা মঙোন্দা চঙজখিবগী ৱারী ঙসি ফাওবা লৈবাক অসিনা কাওনদ্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম মপু ওইখিবা সুরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ভাইজিগী মগুণ অসি মতম মাঙহন্দনা থবক তৌবা হায়বসিনি। মহাক্কী তোপ তোপ্পা গুণ কয়া অমা লৈ। হৌজিক মহাক্কী চহী মতাং অসিদা পোখাবা লৈতনা থবক তৌবা ঙম্বা অসিসু মহাক্কী থোইদোকপা মগুণ অমনি।

## খূথাং চরা হেনবগী খোঙজং মখা চথরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই, বিল অসি ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়না চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী মনুং চন্না থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবনা শীন্দুনা চখরকখিবা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং নুমিৎ নীনি শুজিনখ্রে।

ঙসিগী খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী সিনাম লৈকায়গী মৈরা পায়বী অমনা পাউমীশিংদা হায়খি, সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসি ৱিদ্রো তৌদ্রিফাওবা থাংমৈবন্দগী মৈরা পায়বী অমদি ক্লবশিংনা মখা তানা অকনবা খোঙজং কয়া শিবা চঙবা খঙদনা বিল অসিগী মায়োক্তঃ চঙশিনখিগনি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি কয়ানা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদসু শরুক য়াগনি।

## অমাইবিবু শুপ্পগী জগোয় শাবী ওইনা লৌবা য়ানিংদ্রি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ লমদম অসিগী শক্লাইরবী অমাইবি ইমা ধোনিনা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দ ফংলকপা অমদি অমাইবি ইমা নামৈরাকপা হেমোলতানা ষ্টেট কলা একাদেমিগী এৱার্দ ফংলকপদা উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

অদুবু শক্লাইরবী অমাইবিশিং অসিবু ইকায় খুম্নবা উৎপগী পাউ লমদম অসিগী পাউচেশিংদা ফোঙনরকপদা মখোয়বু জগোয় শাবী নৎত্রগা জগোয়গী এক্সপার্ট ওইনা পন্নরকপা অসিনা চমম্নবা পোকপগা লোয়ননা ৱাহং কয়ামুক থোকহল্লে হায়না উকলগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইমা অমাইবিশিংদি জগোয় শাবি নৎত্রগা জগোয়গী এক্সপার্ট ওইনা লৌবদি লানগনি। অমাইবিদি অমাইবি ওইনা লৌগদবনি। ঈশৈ নৎত্রগা জগোয় ফনা হৈরবসু অমাইবিদি অমাইবিনি। লাইনীং লাইশোলগী মরু ওইবী অমা ওইরিবী মখোয়বু মালেম ইমাগা চাংদম্নদুনা ইমা মাইবি কৌনরিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

শক্লাইরবী অমাইবি ইমা ধোনিবু জগোয়গী লমদা শক্লাইরবিনি হায়রিবসি মতৌ করম্না হায়রিবনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা শেংদোকহন্নিংবগী অপান্বসু চেরোল অদুনা অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ দশা য়েংজরি

- অঙাং লাইরিক ফনবা
- পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনবা
- হায়বা ইন্নবা
- নিশা চাদনবা
- থবক ফংনবা
- করবার তোংনবা
- শেল পায়নবা
- ইংখোল লৈবা ঙম্নবা
- য়ুম শাবা ঙম্নবা
- ফজবা গারী তোংনবা
- য়ুম্বাল কায়দনবা
- অঙাং য়াওননবা
- মীনা য়েংশিনবা চঙদনবা
- কেস ঙম্নবা
- ভোৎ কাননবা
- অনাবা কোক্লনবা

খ্বাইদগী লায়বা উপায়দি ইশাগী কুঠী কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা কূপ্না অমুক্তং য়েংথোকপনি, কুঠী লৈত্রবসু ৱানিংঙাই ওইদে। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চ্যেকশিন্না খুবাক ময়ি য়েংজরি। চহী নিফুরোম ইশাগী শিনফম ওইনা থিজিল্লক্লি অমসুং য়েংজরক্লি। অফবা থবক্তি য়ৈথোক্লোইসি, ঙসিমক লাকপিদুনা ফনবা তান্নবিয়ু।

মীয়ামগী জ্যোতিষ মহাঋষি
ডা. পিঐইচ রাজেন্দ্র (ফার্ই)
নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল।

SL/3010/30 days

## থৌবাল অমসুং ককচিংগী জেদ ই ও ওফিস ওঝাশিংনা শো লোনশিনখ্রে

DON'T TEST OUR PATIENCE
YES TO QUALITY EDUCATION

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ জোইন্ট এস এসএ অমসুং রমসা টিচরস এসোসিয়েসন মণিপুরগী মখাদা লৈবা ওঝাশিংনা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা থাসিগী ৪ দগী চঙশিনখিবা থবক লেপ্পা (সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক)গী খোঙজং অদুগী মনুং চনবা ওইনা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ওঝাশিংনসু ঙসি জেদ ই ও, জোন–থ্রি থৌবাল অমদি ককচিংগী জেদ ই ও ওফিস শো লোনশিনখিবগা লোয়ননা জেদ ই ওগী ওফিস মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী থৌবালগী ওঝা অমনা ফোঙদোকখিবদা জোইন্ট এস এসএ অমদি রমসা টিচরস এসোসিয়েসন মণিপুরগী মখাদা লৈরিবা ওঝা ৩৫০০ রোম্না মখোয়গী ৱাকৎশিং গভর্ণমেন্টনা তাবিদবদগী থাসিগী ৪ দগী অপূনবগী ওইনা ওঝাশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ঙসিগা নুমিৎ মরিনি শুরক্লে। অদুবু ঙসিফাওবা গভর্ণমেন্টনা তাশিন্নদনা তুমিন্না লৈশিনখিবদগী খোঙজং অদুগী শরুক অমা ওইনা দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ঙসিসু ওঝাশিংনা থৌবাল অমদি ককচিংদা মখাতাবা খোঙজং চঙশিনবনি হায়খি।

## আইমোল খুনয়াইগী খুল্লাকপা ‘কামসাকোই’ খনখ্রে

তেংনৌপল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা আইমোল খুনয়াই খুলগী ‘কমসাকোই’ (খুল্লাকপা ভিল্লেজ চীফ) ওইরম্বা জিরনৈলৌ সোংথুনা লৈখিদ্রবা মতুং, হন্না খুল অসিগী ‘য়াকুসুং’গী ফম (সেকেন্দ চীফ) পুরম্বা কেঐচ খোলিয়েন ঙিরবু খুল অসিগী অনৌবা ‘কমসাকোই’ ফম (খুল্লাকপা ফমথোল) ওইনা হাপ্পগী থৌরম ঙসি খুল অসিদা পাঙথোকখ্রে। সেন্ট থিরসুৎলৌবুনা সেকেন্দ চীফ ‘য়াকুসুং’গী ফম হাপখ্রে।

থৌরমগী মরুওইবা শরুক অমা ওইনা খুল অসিগী মৈহৌরোলদগী চৎনরকপা চৎনবী অমা ওইনা নৌনা ফম পুরবা কমসাকোই (খুল্লাকপা)গী মফমদা খুঞ্জাশিংনা খুদোল তম্বা, খুলগী য়ুমথোঙ খুদিংদা শা পীবা অমদি লাইনীং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। লোয়ননা কমসাকোইগী ঙমথংদা থৌ পুগদবা ফম্নাইবা নিপালগী ফমথোল হাপ্পগী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে।

নৌনা কমসাকোইগী ফম পুরবা কেঐচ খোলিয়েন ঙিরনা ফোঙদোরকপদা আইমোল খুল্লেন অসি ফম্নাইবা নিপালগী মতেংগা লোয়ননা হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী হিরম খূদিংদা হেন্না চাউখৎনবা হোৎনগনি। খুল অসিবু ফত্তবা পামদবা কয়াদগী লাপথোক্লা লৈনবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি হায়না থাজবা ফোঙদোকখি।

## কিন্না পন্নুং লৌকোলগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৮ঃ থোংজু কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা কিন্না পন্নুং লৌকোলগী ঈথৈ লৌখোং অমদি ইরম নালাগী মতাংদা খন্ননবা মীয়ামগী মীফম অমা নিঙোমথোংগী কম্যুনিটি রিক্রেয়েসন সেন্টর কম লাইব্রেরিনা শীন্দুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১০ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫ দা রিক্রিয়েসন সেন্টর অসিদা পাঙথোক্কদৌরি। মীফম অসিদা পঞ্চায়েটকী মীহুৎশিং, ক্লবকী মীহুৎশিং, সোসিয়েল ৱার্করশিং, সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট, মৈরা পায়বী নচিংবা পূম্নমক্না শরুক য়ারনবা কম্যুনিটি রিক্রেয়েসন সেন্টর কম লাইব্রেরিগী জেনরেল সেক্রেটরী থোকপা চেরোলনা খঙহল্লক্লি।

## ঙসিগী রাষি ফল (০৯–০২–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, শাওনবা, খৎনবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ ফত্তে, ৩ ফগনি।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা মতম্নি। খৎননিংগনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মত খেন্নরগনি। অরুবা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ ফগনি।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল খরা ফরগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ ফগনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্নি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** অশোক অপন, খৎনবা, মুক্লবা থেংনরগনি। শাওদবা ফগনি। গারী তপ্পা থৌগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

**কন্যাঃ** চয়েৎনবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হে শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। মীনা য়েংথিবা ওই। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, হকচাং ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** খৎনবা, মুক্লবা, শেল চৎপা মতম্নি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** তোখাই তাবা মতম্নি। শেল ফংবা, চৎপা তৌরগনি। মীনা য়েংশিল্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা অরুবদি পাঙথোকপা, লম চৎপা কান্নবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** অচৌবশিংনা চানবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। হকচাং চাং অমদা লৈ। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।




ৱারীদু থাজদরে
নঙনা মাগী ঙাদু লৌবা য়ানবা ইন্থবা শোয়দনা ওইরমগনি, মসিদি ময়াম মমাঙদা ৱায়েনগদবনি


চোংৱানদু ফনা হায়রসু থাজদরে
মসিগী ৱায়েনসি ঐনা লৌবা ঙল্লোই, অহন ময়াম মমাঙদা নহাক শেংনা হায়য়ু